**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-11-2024)**

**---**অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি**---**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) জিরিবামদগী মীওই ৬ ফাজিনখিবা অমদি মীচম মীয়ামদা নোংমৈ-বোম কাপশিনবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা লুপ ১৩ না কৌখিবা টোটেল সটদাউন্দ ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা লোইখ্রে।

২) খুৎলায় পায়বশিংনা ফাজিনখিবা মীওই ৬ থাদোকহন্নবা মীৎয়েং চংবীনবা রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা, প্রধান মন্ত্রি য়াওনা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংদা তকশিনখ্রে।

৩) নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বদা খুৎলায় পায়বশিংনা তিলহৌ পুবা ত্রক অমা মৈ থাদোক্লম্বগী থৌওংবু মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোরকি।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- তুরিজমনা ঐখোয়গী হেরিতেজশিং হেন্না খঙহনবতা নত্তনা নহারোলশিং থবক পীবদা চাউনা মতেং ওইরি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি তোঙান তোঙানবা রেলৱে ষ্টেসনশিংদা প্রধান মন্ত্রি ভারতিয়া জন ঔসাদি কেন্দ্র ১৮ মীয়ামদা কৎথোকখ্রে।

------

বন্দ (এল)ঃ জিরিবামদগী অঙাং অহুম য়াওনা নুপী তরুক ফাজিনখিবা, মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিনবা অমসুং মরাল লৈজদবা মীচম কয়া হাৎপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা লুপ ১৩ না কৌখিবা টোটেল সটদাউন্দ ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা লোইখ্রে। টোটেল সটদাউন্দ অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগী পুন্সিদা অকায়বা পীখি।

রাজ্য অসিগী মরুওইবা কৈথেলশিং ফমখিদে, দুকানশিং থোং হাংনখিদে, লম্বীদা গাড়ি চৎপগী চাং হন্থখি। সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মফম কয়াদা চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবক চখখি। রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলাশিংদা সট দাউন অসি মমি চাউনা তাখি।

অমরোমদা, নুপী অহুম অমদি অঙাং অহুম খুৎলায় পায়বশিংনা ফাজিনদুনা থমখিবা অসিদা অকনবা মীৎয়েং চংবীনবা রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহগী পুকিং চিংশিনখ্রে। অথুবা মতমদা অহেনবা মীৎয়েং চংবীদুনা মখোয় তরুকপু কনবীনবা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা ফোংদোক্লি।

মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনসু অঙাং অহুম অমসুং নুপী অহুম অদু মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা অশোই অঙাম য়াওদনা অথুবা মতমদা থাদোরকবা মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌরি। কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- মরাল লৈতবা মীচম ৬ অদু অশোই অঙাম য়াওদনা অথুবা মতমদা থাদোকহন্নবা মরী লৈনবশিংদা চেরোলশিং থাখ্রে। মদুগী মনুংদা নেসনেল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন, নেসনেল কম্মিসনার ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন, মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি, দি.জি.পি, সেক্যুরিতি এদভাইজর, জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং এস.পি. য়াওরি।

তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানসু মীচম ৬ অদু অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোরকবা আপীল তৌনরক্লি। মীতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন, সি.পি.আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট কমিতি অমসুং ওল

মণিপুর নুপী মরুপনসু মখোয় ৬ পু অথুবা মতমদা তেক্ত কাইদনা থাদোপীরকবা আপীল তৌরক্লি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী বোরোবেক্রা সব-দিভিজনগী মনুংদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিংদা চহি অমা হেন্না চংজফম লৌদুনা লৈরক্লবা মীওইশিং জিরিবাম ময়োলদা পুথোকপীরো হায়না রিলিফ কেম্পশিং অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঙসি ফোংদোকখ্রে। লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিং অদুনা পুন্না থাদোরকপা ভিদিও মেসেজ অমদা হায়- মফম অদুগী অকোইবদা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা ফোংনা কোইচৎ চত্তুনা লৈবা, য়ুম মৈ থাবা, নোংমৈ অমদি বোম কাপশিনবা য়াওনা মখোয়না লেপ্পা লৈতনা কিহন খঙহনবগী থবকশিং চশ্থরকপা অসিনা মখোয়দা চাউনা মীপাইবা পোক্লে। মরম অদুনা মখোয়বু শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকবা হোৎনবদা মুখ্য মন্ত্রিগী মাইকৈদগী মতেং পাংবীয়ু হায়না আপীল তৌরি।

ইবোবী (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী বোড়োবেক্রা সব-দিভিজনগী জাকুরাধোরদগী খুৎলায় পায়বশিংনা ফাজিনখিবা পীক্লিবা অঙাং অহুম য়াওনা নুপী তরুক মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা থাদোরকবা কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা আপীল তৌরি । ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ওক্রম ইবোবীনা হায়- গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক্তা হিংশাগী মফম লৈতে। থৌদোক ৱাথোক পুমমক ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনগদবনি। মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন-থুম ঙাকপা হায়বসি পাল্লিবা সরকার অসিগী মথৌনি। মুকরিবা নাকল অনিমক ৱারী শাবা য়ানবা ফিভম অমা হান্না শেন্বা তঙাইফদে।

নিংথৌখোং (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং খা খুনৌগী মনিং চীংয়াদা লৈবা ৯ শুবা আই.আর.বি কেম্পতা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা কুকি মিলিটেন্ টশিংনা ঙসি নুংথিল পুং ২ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে হায়রি। ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা পুলিসকী পাউ

পল্লদুনা হায়- মফম অদুদা লৈবা আই.আর.বিশিংনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। তুংদা কুকি মিলিটেন্টশিং অদু চীংলোমদা চেনখি হায়রি। নিংশিংবা য়াই, হৌজিক জনুৱারি ১৮ দা মফম অসিগী লৌশঙ অমদা লৌ শুরম্বা মপা মচা য়াওনা মীওই মরি তমথিনা হাৎলম্বগী থৌদোক লৈখ্রবনি।

কন্দেম (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী তৌসেম সব দিভিজনগী মনুং চনবা লাংনোম অমদি ওল্ড কৈফুনদাইগী মরক্তা লৈবা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী শরুক্তা খুৎলায় পায়বশিংনা তিলহৌ পুবা ত্রক অমা মৈ থাদোক্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৬ তাবা অদুৱাইদা থোকখিবনি। খুৎলায় পায়বশিং অদুনা ইম্ফাল তমা তিলহৌ পুদুনা লাকপা টাটা ত্রক- এ.এস. এলেভেন বি.সি. ৩৫৭৭ অসি মৈ থাদোক্লমখিবনি। অদুগা অতোপ্পা ইম্ফাল তমা আলু পুবা ত্রক অমনা নোংমৈ কাপশিনদুনা অমাং অতা থোকহনখিবনি।

নুঙবা এরিয়া ভিলেজ ওথোরিতি এসোসিয়েসন্না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- কুকি লালহৌবনি হায়না চিংনবশিংনা নোংমগী তঙাইফদনা শিজিন্নবা পোৎলমশিং পুরকপা ত্রক অনিসিবু অমাং অতা থোকহনবগী থৌওং অসি লাইবক থিবনি। কনাগুম্বা মীওইশিং অমদি লুপ অমনা নেসনেল হাইৱে-৩৭ গী ইরংদগী বরাক ফাওবগী লম্বী শরুক অসিদা অয়েৎ অপন পীবা মখা তানা তৌরক্লবদি মতিক চাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

সিএপিএফ (এল)ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী মাইকৈদগী সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সি.এ.পি.এফ)কী অহেনবা কম্পনি ২০ রাজ্য অসিদা থাজিন্নবা খঙহনখিবগী মতুংইন্না ঙসি সি.এ.পি.এফকী কম্পনি ৮ ইম্ফালদা থুংলবা হৌরে। অহেনবা কম্পনিশিং অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লোইনমক চংলক্কনি। মসিগী মনুংদা সি.আর.পি.এফকী কম্পনি ১৫ অমদি বি.এস.এফকী কম্পনি ৫ য়াওরি। মসি থারগা মণিপুরদা মথৌ তৌরিবা সি.এ.পি.এফকী অপুনবা কম্পনি মশিং ২১৮ শুরগনি।

আইসিএআর (এল)ঃ   সেমি দ্রাউফ রাইস ভেরাইতি আর.সি. মণি চাকহাউ-ৰানগী ফিল্ড ভিজিৎ অমা আই.সি.এ.আর রিজনেল সেন্তর নোর্থ ইষ্ট হিল রিজন মণিপুর সেন্তরগী হেদ- ডাঃ রামগোপাল লাহানা লমথাখ্রে।

সেন্তর অসিগী জেনেতিক্স এন্দ প্লান্ট ব্রিদিং সাইন্তিষ্ট ডাঃ কোনসম সারিকানা লুচিংখিবা কাংবু অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না কৈবুং ওইনাম লৈকাইগী লৌবুক অমদা ত্রাইয়েল ওইনা থাবা আর.সি. মনি চাকহাউ-ৰানগী ফিভমশিং য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী লৌমী ৩২ হেনবসু শরুক য়াখি। ত্রাইয়েল ওইনা থাবা হৌরিবা ফৌ মখল অসি ডাঃ কোনসম সারিকাকী মীৎয়েং মখাদা পুথোকপনি।

উখ্রুল (এল)ঃ   তাঙ্খুল সনাউলোংগী চহি ৫০ শুরকপগী গোল্ডন জ়বিলি থৌরম ঙরাংদগী উখ্রুলদা হৌখ্রে। নুমিৎ মরিনি চত্থগদবা থৌরম অসিগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিং, নহারোলশিংগী তোঙান তোঙানবা হৈ শিংবা কয়া উৎপা থৌরমশিং অমসুং হেন্দি ক্রাফটসকী মেলা অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মেঘালয়গী ইনকম টেক্সকী চীফ কম্মিসনার নিংরৈরুম লোংভা শরুক য়াখি।

দেদ (এল)ঃ   নোনে জিলাগী লোংমাই বজার মনাক্তা লৈবা ইজৈ তুরেলগী তোরবানদগী নুপাগী অশিবা হকচাং অমা ফংলে। ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- লৈখিদ্রবা মীওই অদু বিহারদগীনি। অদুগা হৌজিক প্রাইভেট কন্সট্রক্সন কম্পনি অমদা শিন্মী ওইনা থবক তৌবনি। মীওই অদু য়ু থকপদগী তুরেলদা তাশিনবদা ইরাকদুনা শিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা লৈ।

পেন্সন (এল)ঃ   ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ চীংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকাইদা ঙসি হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংদা পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌনাউজম চাউবা মেমোরিয়েল চেরিতেবল ত্রষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শিংজমৈ কেন্দ্রগী ওইনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওই ১০০

দা ত্রষ্ট অসিগী মেনেজিং ট্রষ্টি থৌনাউজম রোমেন্না থাগী পেন্সনগী শেনফমশিং অদু য়েম্হোকখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- তুরিজমনা ঐখোয়গী কলা সংস্কৃতি অমসুং হেরিতেজশিং মীয়ামদা হেন্না খঙহনবতা নত্তনা মশিং য়াম্লবা নহারোলশিং থবক পীবদা চাউনা মতেং ওইরি।

যুনিয়ন তেরিতোরি দদ্রা এন্দ নাগর হ্ভেল্লি অমসুং দমন এন্দ দিউদা নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা লৈরিবা শ্রীমতি মুরমুনা ঙসি চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবগী থৌরমদা হায়- দমন দিউ অমসু দদ্রা নাগর হ্ভেল্লিগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না লমদম অদুদা তুরিজম চাওখৎহন্নবা, শিক্ষাগী থাক ৱাংখৎহন্নবা অমসুং উদ্যোগকী লমদা চাওখৎহন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং থাগৎনিঙাইনি। চাওখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবগীদমক লমদম অদুগী খুঙ্গংগী লমশিং চাওখৎহন্নবসু রাষ্ট্রপতিনা ফোংদোকখি। কেন্দ্র সরকারনা ত্রাইবেল মীয়াম্বু হেন্না চাওখৎহন্নবা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা থবক তৌরি হায়নসু শ্রীমতি মুরমুনা ফোংদোকখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি তোঙান তোঙানবা রেলৱে ষ্টেসনশিংদা প্রধান মন্ত্রি ভারতিয়া জন ঔসাদি কেন্দ্র ১৮ লৈবাক অসিগী মীয়ামদা কৎথোকখ্রে।

শ্রী মোদিনা বিহারগী দরভঙ্গদগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা জন ঔসাদি কেন্দ্রশিং অদু হাংদোকখি। লোয়ননা লুপা কোতি লিশিং ১২ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখি। জন ঔসাদি কেন্দ্রশিং অসিনা রেলৱে ষ্টেসনশিংদা যাত্রিকশিংদা হিদাক লাংথকশিং অহোংবা মমলদা ফংহনবা ঙম্লগনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মহাক্কী সরকারনা লৈবাক অসিদা হেলথকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। সরকারনা মীয়ামদা লেমা লায়েংনবা অমসুং হিদাক লাংথকশিং অহোংবা মমলদা ফংহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। লাক্লিবা চহি ৫ গী মনুংদা লৈবাক অসিদা অনৌবা

মেদিকেল সিট লিশিং ৭৫ হাপচিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

জল শক্তি ঃ   ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদমদা স্বাচ ভারত মিসন-গ্রামিনগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং ঙসি অসামগী গুৱাহাতিদা কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি সি.আর. পাতিলনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা হন্না য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা অৱাং নোংপোক লমদমদা স্কিম অসিগী মখাদা চাদা ৫১ গী চাং য়ৌনা থবক পায়খৎলম্বদা মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি। সিক্কিমদা স্কিম অসি চাদা চামা মায় পাকা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমলে। মিজোরমনা অনিসুবা ওইনা চাদা ৮৬, ত্রিপুরানা চাদা ৮০ অমসুং অসামনা চাদা ৭৪ য়ৌনা থবক পায়খৎলে। মথং চহিগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা স্কিম অসি অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্য খুদিংমক্তা চাদা চামা য়ৌনা থবক্তা ওন্থোকবসু মন্ত্রিনা আপীল তৌখি।

ধনখর ঃ   উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা ঙসি নিউ দিল্লিদা কম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ভিয়েটনামগী পোলিত ব্যুরো মেম্বর অমসুং হো চি মিন নেসনেল একাদমি ওফ পোলিতিক্সকী প্রসিদেন্ট ডাঃ ঙুয়েন জ্ৱান থাংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী ওইবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা, টেকে ালোজিগী লমদা তেংবাংনবা হেনগৎহন্নবা য়াওনা ৱাফম কয়া খন্নখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোক্কি (এল)ঃ   তামিলনাদুগী মেয়র রাধাকৃষ্ণন হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চৎথরিবা ১৪ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপতা মণিপুর হোক্কি অহানবা সেমি ফাইনেল চংলে।

ঙসি শান্নখিবা মেচট অমদা মণিপুর হোক্কিনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন হোক্কি পঞ্জাবপু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখিবনি। মেটচ অসিগী

অপিবা মতমদা টিম অনিনা পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো ওইবদগী পেনালতি সুট আউটতা মণিপুর হোক্কিনা পাঞ্জল ১ চনদুনা মেটচ অদু থোইবা ঙমখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচ থা অসি ১৫ দগী হৌগনি।

বোদি বিল্ডর(এল)ঃ মোলদ্বিপসকী কেনারিফ রিজোর্টতা থা অসিগী ৫ দগী ১১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৫ রক শুবা ৱার্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসন (অন্বা)না ঙসি ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা তরামা ওকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোই অহুমা সনাগী অমা, লুপাগী অমা, শেঞ্জেংগী অমা পুন্না তকমান অহুম ফংলকখি। শান্নরোই অনি অমনা মরিসুবা অমসুং মঙাসুবা পোজিসন তারকখি।

রোল (এল)ঃ অনিসুবা ইষ্ট জোন জ্নিয়র অন্দর সভেন্তিন বোইজ এন্দ গার্লস রোল বোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা শরুক য়ানবা মণিপুর টিম শেমবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১৫ গী অয়ুক পুং ৭:৩০ দা শিংজমৈ ৱাংম অকামপাৎতা লৈবা নৈলিটকী কেম্পসতা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নসিপ অসি অসামগী রোল বোল গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৩০ দগী মথং থাগী ১ ফাওবা পাঙথোক্কনি। শরুক য়ানিংবশিংনা মণিপুর রোল বোল এসোসিয়েসন শিংজমৈ চীংঙা মখোঙদা লাক্কুনা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

------